# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৪ শুবা রেজিং ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি।

২) শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- শেল থুম মন্ত্রালয়না শেমদোক্লবা জি.এস.টি অসিনা মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংলিব্রা হায়বদু য়েংশিনবগী থবক চথরি।

অমসুং

৩) ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- লৈবাক অসিগী চাদা ৯০ দি ফাইভ জি নেটৱার্কনা কোনশিনবা ঙমলে।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৪ শুবা রেজিং ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, দি.জি.পি রাজিভ সিংহ অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

রাজ্যপালনা পেরেদ য়েংলবা মতুং ৬ শুবা আই.আর.বিগী কম্মান্দেন্ট শরাংথেম ইবোমচানা লুচিংবা নিংথিজরবা মার্চ পাস পেরেদ অমগী সলামি ওক্কনি। পেরেদ অসিদা পুন্না কন্টিঞ্জেন্ট ১২ না শরুক য়াগনি। তুংদা রাজ্যপালনা

ট্রোফি অমসুং এৱার্দ য়েন্থোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা স্কিল সো অমা উৎকনি।

অমরোমদা, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা ১৩৪ শুবা মণিপুর পুলিস রেজিং ডেগা মরী লৈননা ঙসি কিলোমিতর ১০ গী পুলিস পার্সোনেল খক্তগী ওইবা লমজেল অমা পাঙথোক্কনি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা ১৩৪ শুবা মণিপুর পুলিস রেজিং ডে রন ২০২৫ ঙরাং ইম্ফালগী কংলাদা পাঙথোকখি। হকশেলগী লমজেল, শান্তিগী লমজেল হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা কিলোমিতর ১৬ অমসুং কিলোমিতর ৫ গী লমজেলশিং অদুদা পুলিস ওফিসার অমসুং পার্সোনেল ১৬০ য়াওনা পুন্না মীওই ৯০০ লোমা শরুক য়াখি। লমজেল অদু রাজ্যগী এ.দি.জি.পি- এল. কাইলুননা লমথাখি। দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা লমজেল অদুদা পুলিস অমসুং মীয়ামা মপুং ফানা শরুক য়াবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। থৌরম অদু চাউনা মায় পাকখিবা অদুনা মণিপুর পুলিস রেজিং ডে রন অসি হকশেল, শান্তি অমসুং অপুনবগী শক্তম শাগৎপগী ৱাখল্লোনদা চহি খুদিংগী পাঙথোক্লগনি হায়না দি.জি.পিনা লাউথোকখি।

তুংদা, কিলোমিতর ১৬ কী লমজেলদা মকোক মথং তারবা মীওই ১০ মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি। লমজেল অসিদা শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক্তা পুকিং থৌগৎপা ওইনা মেদল অমমমসু খুৎশিন্নখি।

এৱার্দ (এল)ঃ কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনদা দি.জি.পি মণিপুর ট্রোফি ফোর বেষ্ট পুলিস ষ্টেসন ২০২৫ গী অহানবা মনা পীরগনি, অনিসুবনা সিতি পুলিস ষ্টেসন অমসুং অহুমসুবা খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসন্না বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন্না পীরগনি।

খ্বাইদগী ফবা পুলিস ওফিসারনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইন্সপেক্তর গুনচন্দ্র চনমনা তারে। মনাশিং অসি ঙসি পাঙথোক্কদবা মণিপুর পুলিস রেজিং ডে থৌরমদা য়েন্থোক্কনি।

এরেষ্ট (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থদুনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইনগী ৱাংমদা থবক চত্থবশিং লেপ্তুনা ফাগৎলি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পিশুম ওইনাম লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী নুপী কাদর অমা ফারে। মীওই অসি মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা তম্পাক্কী জিলাশিংদগী লগাউ খাউবদা চেন্নবা মীওইশিং য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎলি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিউ চেক্কোনদগী লগাউ খাউবদা চেন্নবা মীওই অহুম, লগাউ খাউবদা শিজিন্নবা পোৎলমশিংকা কোন্ননা ফাগৎখি। মণিপুর পুলিসনা দ্রাইভ চত্থদুনা জিলা অসিগী হৈঙাংদগী লগাউ খাউবদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎপা ঙমখি।

সিতারমন ঃশেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- শেল থুম মন্ত্রালয়না শেমদোক্লবা জি.এস.টি অসিনা মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংলিব্রা হায়বদু য়েংশিনবগী থবক চত্থরি। মসিদা পোৎলম ৫৪ য়াওরি। মহাকা হায়- নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টিগী অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা হায়রিবা পোৎলম ৫৪ অসি লৈবদা খুদোংচাবা পীরি।

নিউ দিল্লিদা জি.এস.টি বচৎ উৎসবকী মতাংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়- জি.এস.টি লৌবগী চাং অসি মীচম মীয়ামগী য়েংদুনা চাং ৱাংনা হন্থহন্দুনা কান্নবা ফংহনবা ঙমলে। মহাকা হায়- জি.এস.টি টু পোইন্ট জিরো রিফোর্ম অসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিনহনবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হরাউ কুম্হৈগী মতম অসিদা ইলেক্ত্রোনিক্স, ওতো মোবাইলস অমসুং তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়াদা জি.এস.টি লৌবগী চাংদা চাউনা অহোংবা লাকপদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা পোৎ চৈ য়োনবগী চাং ৱাংনা হেনগৎলক্লি।

মীফম অদুদা কেন্দ্র ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণো অমসুং কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং হন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লসু শরুক য়াখি।

বৈষ্ণো ঃ ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- ভারত্তা ফাইভ-জি লাকপদগী মালেমদা লৈবাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা অঙকপা পোকহল্লে। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী চাদা ৯০ দি ফাইভ জি নেটৱার্কনা কোনশিনবা ঙমলে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা মালেমগী মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- মালেম অসিদা ভারত অসি ফাইভ-জি নেটৱার্ককী লমদা অনিসুবা মফমদা লৈরে। মসিনা মনুং হুঞ্জিন্না অমদি সহরদগী লাপা লৈবা মফমশিংদা নেটৱার্ক ফংবগী চাং হেনগৎহল্লে অমসুং মসিগা মরী লৈননা থোক্লপা ৱাথোক কয়া য়েংশিন্নবা সরকারনা নিয়মশিং শেম্বগী থবক চথরি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিন্নরি। মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা হয়েংনি। মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনিনা থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কনি। অদুগা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ২৩ নি। অনিশুবা তাঙ্কক্তা জিলা ২০ গী বিধান কেন্দ্র ১২২ দা নবেম্বর ১১ দা ভোৎ থাদনগনি।

অনিসুবা তাঙ্কক্কীদমক তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী শকাইরবা মীরেপশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপচেশিং ঙরাং পীশিনখি। হান্নগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি তারকিশ্বর প্রসাদনা বি.জে.পিগী মীরেপ কতিহার বিধান সভা কেন্দ্রদা মীরেপচে পীশিনখি। জামা খান্না জে.দি.য়ুগী মারেপ ওইনা কাইমুর অমসুং জেন্টরাজনা জে.দি.য়ুগী মীরেপ ওইনা অমরপুর বিধান সভা কেন্দ্রদা মীরেপচে পীশিনখি।

অমরোমদা অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙরাং পাঙথোকখ্রে। তাঙ্কক অসিগী ওইনা পুন্না মীরেপচে লিশিং ১,৬৯৮ পীশিল্লকখি। মদুগী মনুংদা এন.দি.এনা শৌগৎপা লোক জনশক্তি পার্তিগী মীরেপ অমগী মীরেপচে য়াখিদ্রে। এন.দি.এনা সিট ২৪২ দা মীখল থেংনরগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা হয়েংনি । অহানবা তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোৎ মথং থাগী ৬ তা থাদনগনি। ভোট মশিং পুন্না নবেম্বর ১৪ দা থিগনি।

মীখল অসিগীদমক ষ্টার কেম্পেন্নর কয়ানা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমলি। হরিয়ানা, ত্রিপুরা, গুজরাত, উরিষা অমসুং গোৱাগী মুখ্য মন্ত্রিশিংনা তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী মীতিন কয়াদা এন.দি.এগী মীরেপশিংগীদক্তা ভোৎ খোন্লি।

জেএমএম ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চা পার্তি ইন্দিয়া এল্লায়েন্সতগী তোকখ্রে। দলগী জেনেরেল সেক্রেতরি সুপ্রিও ভত্তচার্জানা হায়- দল অসিগী মীরেপশিং বিধান সভা কেন্দ্র ৬- চকাই, দমদাহ, কতোরিয়া, মনিহারি, চমুই অমসুং পিরপানতিদা থাগৎকনি। হায়রিবা বিধান সভা কেন্দ্রশিং অসিদা ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চাগী মীরেপশিং মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

রেলৱে ঃ রেলৱেজগী থবক থৌরমশিংবু মীয়ামদা লান্না উহনবা য়াবা মওংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা ভিদিওশিংগী থাগৎলিবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা ৱারেপ লৌরে।

রেল মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- হরাউ কুম্মৈগী মতমদা পেসেঞ্জরশিংদা সোসিয়েল মিদিয়া হেন্দলশিংনা অরানবা হান্নগী অমসুং অরানবা ভিদিওশিং থাগৎতুনা অৱাবা মায়োকহল্লি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- মরী লৈনবা ওথোরিতিনা সোসিয়েল মিদিয়া হেন্দল ২০ লোম মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মসিদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা এফ.আই.আর লৌখৎনবা থবক পায়খৎলে। সোসিয়েল মিদিয়া পায়রিবশিংনা মীয়ামদা চমমবা থোকপা য়াবা পাউশিং শন্দোক্তনবসু মন্ত্রালয়না আপীল তৌরি।

দিল্লি ঃ দান্তেরা অমসুং দিৱালি কুম্মৈগী য়েংলগা দিল্লি পুলিসনা ঙাকশেলগী থবক কয়া পায়খৎলে। চেরোল অমদা দিল্লি পুলিসনা হায়- ঙাকশেলগী থৌরাংশিং অসি মরুওইবা কৈথেলশিং, মীয়াম তিনবা মফমশিং অমসুং লল্লোন ঈতিক্কী মরুওইবা মফমশিংদা মীয়াম্বু অশোক অঙাম থোক্তনবগীদমক পায়খৎপনি।

পাউ অসিনা হায়- দিল্লি ত্রাফিক পুলিসনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক থৌরাং কয়া লৌখৎলে। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মীয়ামগী শাফনবা অমসুং আইন অমসুং শান্তি রক্সা ঙাকবগীদমক জিলা পুমমক্তা ফুট পেত্রোল্লিং চৎলি। মশিং য়াম্লবা দিল্লি পুলিস পার্সোনেল অমসুং সি.এ.পি.এফকী পার্সোনেলশিংনা ঙাকশেলগী অকনবা থবক পায়খৎলি।

মহারাষ্ট্র ঃ মহারাষ্ট্র সরকারনা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা অকনবা নোং অমদি ঈচাউনা শোকহল্লবা জিলা ২৩ গী লৌমী লাখ ৩৩ হেনবদা শেলগী তেংবাং ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৩,২৫৮ পীননবা অয়াবা পীখ্রে। ৰারেপ অসি রিলিফ অমসুং রিহেবিলিতেসন মন্ত্রি মক্রান যাদব পাতিলনা লাউথোকখিবনি। মহাকা হায়- লম হেক্তর লাখ ২৭ হেনবদা অমাং অতা থোকখিবা অদুগী য়েংলগা তেংবাং অসিনা পীবনি। মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চয়োল খক্তদা লুপা কোতি ৫ কাইথোক্লে। চহি অসিগী ওইনা খরিফ লৌরোক্কী ওইনা শেনফম অসি লুপা কোতি লিশিং ৭,৫০০ ওইরি। থৌরাং অসিনা নাগপুর,অম্রাবতি, নাসিক, পুনে অমসুং কোনকান লমদমদা লৈবা লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

------